# হুইয়েন লানপাউ

থাংজ, জুন ০৫, ২০২১, ইম্ফাল
৪৫শুবা চহী, ৭০শুবা মশীং


## অমোৎপনি খঙলবদি নেৎলরোইদবনি

### ভোটরশিংনসু য়াদে হায়বা খঙহল্লগদবনি

মীওইবা হায়বা ফুরুপসিনা হিস্টোরি তল্লিবসি হৌখ্রবা থৌদোকশিং খঙনবনি। হৌখিবা মতমদা থোকখিবা থৌদোকশিংদু খঙলবদি হৌজিক্কী ফীভম অসি ওইহল্লকপগী মরমশিং লেপথোকপা ঙমগদৌরিবনি। মরমশিং অদুবু খঙলগদি তুংদা লাক্কদবা শরুকশিংদা অফবা ওইরোইদবা, ওইওইনগদবা, কান্নরোইদবা থৌদোকশিং অমুক হন্না মায়োক্লরক্তনবা অনৌবা অফবা লম্বীদা চৎননবা হোৎনগদৌরিবনি। হায়রিবা পুন্নমক অসিদগী মীওইবা খুন্নাইনা লৈরিবা মালেম অসিদগী হৌরদুনা মীওইবা ফুরুপসিনা লৈরকপদগীনা ঙসি ফাউবগী পুৱারীশিং তমদুনা নৈনরিবনি। অনাবা মীওই অমা মহাক্না নারিবদু ফহন্নবা লায়েংবগী থবক্তসু অদুমঙাই। মতৌ করম্না মঙোন্দা লায়নাদুনা নাহল্লক্লিবনো হায়বদুদগী হৌনা লায়েংগদবা ডোক্তরশিংনা অমত্তা চিংখদনা হান্না থিজিল্লবা মতুংদা লায়েংবগী থবক চখরিবনি। মরাল লৈরে হায়রবা মীওই অমবু প্রোজিক্যুট তৌনবগীদমক চার্জশীট ফ্রেম তৌবগী এস্পৱর তৌরিবা লো-এনফোর্সিং এজেন্সীশিংগী মরক্তগীসু অদুমঙাই একু্যইজ নি হায়বা মীওই অমগী মতাংদা মথৌ তাবা রেকোর্দশিং য়াওনা শিৎ-নান্না খঙনবগীদমক একু্যইজ খূদিংগী 'দোশিয়র' হায়বা অমমম ফাউবা শেমদুনা থল্লিবনি। মসিনা একু্যইজ দুগী করিয়র অমসুং এন্টিসিদেন্টশিং লোয়না খঙবা ঙমগদৌরিবনি। হায়বদি অয়াম্বা থবক থৌরমশিংদা হৌখ্রবা লামায়শিং ফাক্কৎপগী তঙাইফদবসি পুম্নৌ-নৌবমক নৎত্রবদি অদুম্মক চৎনদুনা লাকই। তৌফমসু থোকই। মসি ওইরগদি মার্চ ১৯, ২০২২ ফাউবা মপুন্সি লৈরিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লী অসিগী মহুৎ শীন্নবগীদমক ১২শুবা মীখল পাঙথোক্তবা য়ারোইদবদগী শোয়দনা পাঙথোক্লগদৌরিবনি। হৌজিক মায়োক্লরিবা পেন্দমিক অসিনা লায়না মখাক লাইমন মখাক ওইদুনা চোম্থরল্লবা ফাউবদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই)না মেকানিজম অমা পুথোরক্তুনা মীখলসি শোয়দনা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মরমদি লৈবাকসিদা চৎনরিবসি পার্লিয়ামেন্টরি দেমোক্রেসিনি। মসিগী খোঙফম মুৎহনবা য়ারোই। মতাংসি য়ৌরকপদদি মণিপুরগী এসেমব্লী সেগমেন্ট ৬০মক্কী ভোটরশিংনা করম্বা মীওইশিংবু মখোয়গী মীহুৎ ওইনা, মখোয়গী কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম এল এ ওইনা ষ্টেট এসেমব্লীদা থারক্কদগে হায়বসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনরক্কদৌরিবনি। পাক চাউখ্রবা এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি অমগী মশীং য়াম্না লৈরিবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী মরক্তগী পোল্লিং ষ্টেসন খরগী ভোটর খরনা য়াল্লবা ভোটকী মমল পীবা ঙম্বা, মরন্নাই ওইজ-ওইথক পীরকপা ঙম্বশিংগী লাংদা থুখ্রবসু অয়াম্বা ভোটরশিংনদি রাইট পর্সন অমা খনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়বগী ৱাখলসি শোয়দনা পোক্লরক্কনি। ৱাখলসি খনবা হৌরকপদা ভোট পীবীয়ু নীরক্লিবা মীওইদুগী মশক খঙননবা হোৎনরক্কনি। মসিদি মশানা তারবা ৱাফমনি।

অদু ওইগদি জুন ২, ২০২১দা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস লানুসুংকুম জামির অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোল অনীগী দিভিজন বেঞ্চনা লাউথোকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরগী মতুংইন্না কনষ্টিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলগী প্রেসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা টেন্থ সেদ্যুল্ডসিগী মখাদা লৈরিবা প্রোভিজনশিংগী মতুংইন্না দিসক্কালিফাই তৌখিববু শীংনরকখিবা পিটিসনশিং দিসমিস তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অহুমগী মরাইবক করি ওইগদগে? স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা এক্স-এম এল এ অহুম্মক মার্চ ৪ অমসুং ৮, ২০১৭তা থেঞ্জাং অনী থোক্লা পাঙথোকখিবা ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লীগী মীখল অদুদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা পার্টিসিগী এম এল এশিং ওইনা কারকখিবনি। এম এল এ ওইরল্লবা মতুংদা লৈঙাকসিবু লুচিংলক্লিবা বি জে পিদা চোংশিনখিবনি। মসিগীদমক মখোয়বু এম এল এশিং ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌবীনবা স্পিকরগী ত্রাইব্যুনেলদা ৱাকৎলকখিবনি। ৱাকৎতুগী মতুংইন্না জুন ১৭, ২০২০দা স্পিকরনা পীখিবা রুলিংশিংগী মতুংইন্না এম এল এ ওইবদগী দিসক্কালিফাই তৌখিবনি। দিসক্কালিফাই তৌরবা মতুংদনা মখোয়না মখোয়গী দিসক্কালিফিকেসন অদুবু হায় কোর্টতা চেলেঞ্জ তৌরকপনি। মখোয়গী ৱাকৎশিংদু হায় কোর্টনা লৌখৎলগদি খন্নখি অদুবু টেন্থ সেদ্যুল্ডগী মখাদা লিংলিবা স্পিকর ত্রাইব্যুনেলনা পীরকপা রুলিংদা খুৎ থিংজিনফম থোক্তে হায়দুনা পিটিসনশিংদু দিসমিস তৌরকখিবনি। হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজমেন্ট অমসুং ওর্দরদু লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোশিংগী ফিবান মনুংদগী হেন্দোক্তনা লোশিং অদুবু মথ্বায় পালহন্দুনা পীখিবনি। হায় কোর্ট অমগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা জজমেন্টনি। মসিনা পিটিস্নর এক্স-এম এল এ অহুমদা 'এগ্রীভ' ওইহল্লে হায়রগদি লৈবাকসিগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী থোঙজিন্দা লেপ্পুবা তাবনি। এপেক্স কোর্ট অসিনা তাবীবা-তাবীদবা হায়বদুনা কোর্ট অসিগী রুল অমসুং লোগী ৱানি। অদুবু পিটিস্নর এক্স- এম এল এ অহুম্মক ১১শুবা ষ্টেট এসেমব্লীগী মেম্বরশিং ওইরকখ্রিবা অদুনা অহানবসু নত্তে। মমাঙদসু কাদুনা মিনিষ্টর ফাউবা ওইরম্বসু য়াওখ্রে। ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস (আই এ এস) ফাউবগী প্রমোসন ফংদুনা লোয়শঙ অমগী মকোক থোংবা এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরম্বসু য়াওরি। অদুম ওইনমক লৈবাকসিদা চৎনরিবা দেমোক্রেসিগী য়াংলেন শরূ ওইরিবা কনষ্টিট্যুসননা য়াদে হায়বা খঙনা খঙনা চোংথোক চোংশিন তৌরুরিবা করিগীনো? বি জে পিগী মচুম চারনি, পার্টিসিদা ঙাথরগা খুদোংচারনি, অরেম-অপা ফংলগনি হায়দুনা টেন্থ সেদ্যুল্ডগী ৱাংলবা শম্বল লান্দুনা চোংলুবদা হৌজিক্তি পল্লগা দিসক্কালিফাইগী কোমদা তারে। করি কান্নরি। থৌদোকসিদি মশাগী পোলিটিকেল ৱিল অমা লৈতবগী থৌওংনি। মখোয় ৩ খক্তগী ৱা নত্তে। চৎনরিবা লোবু থুগাইরকপা পুন্নমক্কী ওইবা ৱাফমনি। মরমশিং অসিনা মীওইশিং ওইরিবা ভোটরশিংনসু অমাংবা, অমোৎপদা খঙদদুনা নেৎলুরবসু খঙলক্লবদি অমুক হন্না নেৎলরোইদবনি। চৎনরিবা লোশিং অসিগী মথক্তা ভোটরশিংনসু য়াদে হায়বগী পারা অদু তম্বীহৌগদবনি হায়নিংই। তংদুনা য়েংবদা খারবদুদি পুক থন্নবনি হায়দুনা চাশিনবা চুল্লোই।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১৯

১) "খোঙকাপ চৎফম উদবনা শমুখোঙকাপ থাংবদি লফুৎ ফমজিংলাংনা মিথুনৈএ।" ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?
২) "মৈতৈ দ্রামাটিক য়ুনিয়ন" (খৃ: ১৯৩০) হায়বসি মতুংদা করি হায়না খঙনখিবগে?
৩) ফুঙ্গা ৱারীগী লাইরিক "ইবেনবোক্কী ৱারী" (১৯৫৯) হায়বসি কনানা ইবনো?
৪) "ঐগী রাধে রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নশা ৱানবনি নোম্মুনু/নখূৎ মোৎনবনি শূরুনু/ঐনা হায়বা তাও রাধে/ইমানা হায়বদি ইল্লু রাধে/নপাঙ্গল কেম্নবদি শূরুনু রাধে।" মণিপুরগী শক্লাইরবা কবি অমগী শৈরেংনি। কবিদু কনানো? করি শৈরেং (মমিং) নো?
৫) জর্মনগী ফাওরবা অইবা হেরমন হেস: গী "সিদ্ধার্থ" হায়বা লাইরিক্তু মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ঐনা লাই ওনবা ঙম্লবদি

**ৱাইরু-ৱাইরুবদা**



মে মমৈ অমদি জুন হৌগৎলকপদা লোকদাউনবু হায়সিরা কর্ফিয়ুবু হায়সিরা কোমথোক্কদৌরি হায়বগী পাউ তাবদা নুংঙাই হায়ফেৎ ঐসু। ঙসি ঙরাং অসিদা ওক্সিজেন প্লান্ট খরা থৌবালদা, ইম্ফালদা লীংখৎলকপগী পাউ তাবদা অমুক্কসু হেন্না হরাউ মথোই কাজৈ। জুন মকোক মে মমৈগী নুংঙাইবা পাউ অনীনি হায়বা তাই। অনাবসু চানিপান, লিশীং য়ৌরম্বদগী চাতরেৎ, চাক্রুক হেল্লপ হেল্লপতমক নোংমদা হেনগৎপা উরে। লৈখিদবগী চাং কুন য়ৌরুবদু হৌজিক্তি কুন য়ৌদ্রে, তরাতরুক, তরাতরেৎতা হন্থরক্লে। দুকান পাল্লি নাইনা হাংবগী ৱা তারকই। কোভিদনা কন্না মঙক হাইগৎলম্মী হৌজিক্তি ৱাতোন্না হাইথরকপগুম অনাবগী মশীংসু হাইথরক্লে। য়াম্না নুংঙাইবা পাউ অমনা, রিমসতা ফমুং মশীং হেনগৎহনবগী পাউ পাউচেদা ইরকপা থেংনরে, অমুক্কা হেন্না হরাউজগনবা থম্মোয়না হরাউরুই। হৌজিক্তি জুন থা হৌগৎলকপগা লোয়ননা ঐখোয়গী খূৎশু-খূৎলায়, ওক্সিজেন, মরাং কায়বা হৌরক্লে হায়বগী পাউ রেদিওদা অমদি পাউচেদা পাবা ফংলে। নুংঙাইবা পাউদি ঙন্না তাবা, থেঙনা তাবা অকায়বা অমত্তা লৈতে। মী কয়া কয়া এপ্রিল অমদি মে থাদা (মণিপুরগী ওইনা) লৈখিদ্রে। মদুনা অৱাবা পাউনি, ঙল্লবসু থেঙলবসু ঐনা নুংঙাইবা ঙমখিদে। কোভিদকী মতম অসিদা মশক মমিং নাইরবা অইবা, ফোটোগ্রাফর, পোলিটিকেল পার্টিগী মশক নাইবা মীওই কয়া, নহা কয়া, অহল কয়া, ডাক্তর কয়া মথং মথং লৈনখিদে কোভিদনসু, কোভিদ নত্তবনসু। পি এম মোদিসু নোংমদি কপখি। হৌনরুবা লৈতনা ঐখোয় লোইনা থম্মোয় কায়নখি। ঐখোয় পি তাখি। অৱাবা ৱাখল নুংঙাইতবা পূম্বদু থিংবা ঙমখিদে। ঐনা পুন্সিদা থৌদোক অমা থোকখি। মতাং চাফাত্তদুনা ঐনা মদু তম্বা ঙমলক্ত্রি। হোস্পিটালদা ইমা অদু নাদুনা লৈরকপা নুমিৎ তরানি শুরে। লাইওং খঙদনা নাদুনা লৈরকপনি। ক্লিনিকেল টেষ্ট তৌফম অমদা ঐনা ইমাগী লায়নাদুগা মরী লৈননা টেষ্ট তৌনবা সেম্পল কয়া পুদুনা চৎপা তারম্মী। রিজল্ট ফংনবা হোৎনবদা নুমিৎ নীনি/হুমনি ঙাইবা তাখি। ঐনা মদুতবু খৌরাংনা ঙাইখি। ইমা অদু নুমিৎ নীনি ফর-ফর হাইদুনা মাগী লায়না অদুনা মরম ওইরগা ৱানা খাঙলম্লগা নহা ইওই ওইনা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদে। ইমানা লৈখিদবা নুমিৎকী নোংঙাল্লগা টেষ্টকী রিজল্ট লৌররো হায়না কোল তৌরকখি। মসি হৌখ্রবা ৱা অমনি। ঐনা খ্বাইদগী পামজবদি অনাবা অমগী মনাক্তা মতম পূম্বদা হায়বদি পুং কুনমরি অদুসু ২৪ x ৭ হায়বা মওংদা লৈরিবনি। অদুসু ডাক্তর অমগা অনাবা অমগা। ৱাখলগী ৱানি। পামজবা ৱাখলগী ৱা হায়বা অসিদি হায়নীংবা হায়বা তাই মদু লৌবীবা নৎত্রগা লৌবীদবা অদুনা তারিবা মীদুনা মরম চায় হায়না খনবীবা নৎত্রগা খনবিদবা অদুনা অমনি। হায়বফাওবদি হায়হনবা তাই। কনানা খঙগনি অফবা ৱা ওইরম্লদি। মালেমগী ফাওখ্র-ফাওখ্রবা মীওই খুদিংমক অসি অহানবদা কনা অমত্তনা মৱা লৌবীবা নত্তে। লাল্লিগা খোৎলিগা, অদুদা শোকই, অদাদা শোকইগা হায়দুনা লোইনা য়েৎথৎপীখিবা ঙাক্তনি। অহানবদা মালেম মতূম তায় হায়বা য়ারমদে, মালেম্না নুমিৎতা কোয়না চৎলি হায়বসু য়ারমদে, মসি কোন্না য়ারক্লখিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীদি ৱা অমা হায়বদা য়েৎকদবগী ঙাক্তনি।

খপ খপ চিংদুনা অনাবনা ফমুংদা লোংনা তাদুনা লৈরবা মতমদা করি পাল্লমগনি? চে চাং চৎনবা, অদুগী অদাগী অয়াবা লৌবা, নুমিৎ অদুদা য়াই য়াদে, নুমিৎ অদুদা নৎত্রগদি স্পেসিয়েলিষ্ট অদু উনবা ফংলোই, পুং অদুক তাদ্রিবা ফাওবা থোঙ হাংলোই হায়বনচিংবা কয়া অসি অনাবা অমগী খ্বাইদগী লাইবক থীবা মতাংনি। শিবা-নাবা হায়বসি অফবা নুমিৎ, নোং-চীং হাংবা নুমিৎ খল্লগা য়াবা নত্তে। হেক্তা শি, হেক্তা চৎখি। ভোট পীরিবা মীচম মীয়াম অসি নারকপা মতমদা করিগুম্বা মখলগী খুদোংচাদবা অমত্তা লৈতনবা হেৎনবা হায়বসি ঐগী ৱাখলগী অপাম্বনি। লৈবাক্কী অচৌ অচৌবা ফম্নাইবা ময়ামসু অনা অয়েক অমত্তা য়াওহঞ্জনীংদে মরমদি অনাবা হায়বসি মখোয়সু মীচম মীয়ামগা চপ মান্ননা ৱাই, মখোয়নসু থেংনরিবা অৱাবা অদু মীয়ামদা থেংনহল্লমনীংঙোই। মখোয়সু ৱারিবনি, ঐখোয়না খঙলু উরুদবগী ৱানি। ঐনা লাই ওইরম তারবদি অনা লায়েংবসি লোইনা ফ্রীদা লায়েংহনগনি, ঙাইনবগী থবক অসিমা শুক্লে লৈহন্দনবা তৌগনি, তৌবদি ঐনা লাই ওনবা শুকঙম ঙমদবসিনি। ●

## ডা. যোদ্ধচন্দ্রগী পুন্সিদা মীৎয়েং অমা

**নবকুমার ওইনা**

মীওই অমদা নুংশিবা পোক্লরিবসি মীওই অদুগী মতিক মঙম, ৱাঙাঙ শঙাঙ, শাজৎ লিচৎ য়েংলগা লোইরদরা? থম্মোয়বু পায়রগা য়েংবসু য়াবা নত্তে, লোয়নদনা করম্না খঙবা ঙমগদৌরিবা। মতম শাংনা লোয়নবসু ফংজহৌদ্রবা ঐখোয়নবু করি খঙবা ঙমজগদৌরি। ডা. যোদ্ধচন্দ্রগী পুন্সিদা হঙ্গৎনা য়েংবা অরায়বা অমদি ওইরোইদৌরি। তেল্লবা চহী খরদা থেংনখিবা খরদং নীংশিংজবনি, মীৎয়েং অমখক্তনি।

ফোঙলগা থন্লম্লবা অশৈবগী শৈরোলশিং লোয়নমক পাবা ঙমজদ্রি। তেন্তক্লা অসুম্না লৌখৎচৈ - থম্মোয়গী ৱাবু ইবদা লোইনমক হাপ্পা চল্লমগদরনে। ৱানা হৌরকপগী থোৎপা মেংবা অদুমদি ইরল্লিবা ঈশৈশিং অমসুং লাইরিকশিংদগী খরমখৈ খঙবা ঙল্লগনি খল্লি। ৱাহৈ ওইনা হায়বা য়াদবা ৱা কয়া ডাক্তরগী মিত্তগী খঙবা হৌই হায়গনি। চুমদ্রিং চুম্না, ৱা ঙাঙদনা, মোমোন্নবা মায়থোঙদুনা নুংশিনা য়েংবীবা মীৎয়েংদুমক ময়ামদগী তোঙাল্লি হায়গনি। লৌথুপ লৌকোয় লৈতবা মায়থোঙ, চুমদ্রিং মীৎকুপ অমা ৱা ঙাঙদনা য়েংলম্বগী থম্মোয়দা তাহৌরিবা থাঙফম অসিদি কমদৌনা মুৎকনি। হুইয়েন লানপাউগী লিপুন কাঙবুগী চহীগী মীফমদা চাক চামিন্নখি। তুং ইন্নজৈ, ফম্ফম লাংজৈ, দিস্পোদু তেংজৈ, ফাগি ওইনা 'ডা. ঐখোয়দি দিস্পোসি তেংনদেনে।" তপ্না হায়রকখি 'থেঙ্ক য়ু'। ঐবু থাগৎপীবগী হরাওজৈ, উজ রিবদি ডাক্তরগী থম্মোয়দুনি খঞ্জখি। ঈশিং হৈবা খুদিং তপ্না অদুম 'থেঙ্ক য়ু' ডাক্তরগী হৈনবীনি। ওজা সলাম তোম্বা লোয়নজবদগী তোম্বা অহুমগা লোয়নবা ফংজখি। সৌবাম তোম্বা, ডা. যোদ্ধচন্দ্র, সলাম তোম্বা মীওই অহুম অসিগী লোয়নবগী মওং ময়ামগা মান্নদে, উবিহৌবা খুদিংমক্লসু হায়গনি। ওজা সৌবাম তোম্বনা ডাক্তরবু জেন্টলমেন হায়না শক তাকই, নানিগী কলমদসু অদুম্না পল্লি। কোট লিৎপখক্কী ওইগনি খন্দে, কদায়দনো করিনো অমা য়াওরিবা মাল্লি। ফিজেৎ, চাকচা, ৱাঙাঙ-শঙাঙ, থৌগল্লোন খরসি নত্তবা য়েংবা য়াবা করিগুম্বা লৈরিব্রা খন্থনিংলি। মীপূম খুদিংমক কোট লিৎপা, থৌগল্লোন খঙবনা অয়াম্বনি। মীপূম খুদিংদা নৈনবসু য়াই, ডাক্তরগা মান্নগদ্রা হায়বা ৱাহং থোক্লকই। ওজা তোম্বনা ইতিং তিংনা কদায়দগী হারমোনিয়ম পাল্লুরিবা, ঐনা য়াম্না নুংশিবা হারমোনিয়মনি, ওজাদা পীরবনি" সৌবাম ওজা তোম্বনা হারমোনিয়মদু শঙহৌবা তারি। ৱারীসি হারমোনিয়মগী ৱা নত্তে, থম্মোয় অনীগী ৱারী অদুনা করিনো অমা হায়বগুম তৌরি। অহনবা অমা লৈরে, অমনবগী মমলগা অহনবগী মমলগা কনানা হেল্লিবা, থম্ফম চানা থল্লম্বা ওইরিগদ্রা খল্লকই। নুংশিবসি অসুম্না ফোঙদোক্লব্রা।

মপানথোংদং য়েংলগা নৈনবতনা য়াদে, অমুক হন্না নৈননীংবা পোক্লি হায়না মাখোনমনি মোংসাবনা ফোঙদোক্লি। অমুক্কসু হংলি ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসমবু ঐখোয়না কয়াম খঙলবগে? ডাক্তরগী মরুপ-মপাংগী দাইস্পোরা অমদা মাখোনমনিনা চঙবা, থিবা হৌরকই। ফংগে হায়রবসু পাক ফংলোইদবা নুংশিবা হায়বদো ডাক্তরদি ফংখ্রবনি হায়না ফোঙদোক্লি। ডাক্তর যোদ্ধচন্দ্রবু মায়কৈ কয়াদগী য়েংবদি হৌরে হায়বনি। ডাক্তরনা পেত্রিওটিক রাইটর্স ফোরমগী প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈদা ত্রিপুরাদা চৎপদা য়াওজৈ। নোংমা-নীনি চোম্থরগা লাকখি, হংবা ঙম্বা নচ্চদে। ময়াম্না চিংনবা পোক্লম্বা য়াবদু শঙ অমনবা খরগী মনাক্তা লমহাং অমদা শৈরেং থিনরিঙৈ, মাগী মাগী কেঙ্গন ইনরিঙৈদা য়ৌশিল্লকখি। থবক্লা য়াদবননি ৱারৌবিগনু ময়ামদা হায়জৈ। মী খুদিংনা হায়নবা ৱানি, ময়ামগা মান্নদে য়াম্না থোৎনা য়াওজনীংবদগী য়ৌজরকইবনি হায়না ফোঙদোকই। ফর্ষ্ট ক্লাস জেন্টলমেন অমগা ঐখোয় ময়ামদুগা কদায়দনো অমা থৌরি চিংনরিবগুম হেক হেক ফাওরকই। করিদনো খঙদবা মোং হাদনা ফজবা অমা ডাক্তর যোদ্ধনা অদুম হেন্দুনা হৈবগুম খলহল্লি। নুংশা শাজরবসু কোট অদুম লিৎপদু নত্তে, ইরু মায়থজরগা শম থাউ তৈবদু নত্তবা, ফম্বা ফাওবা ঐখোয়না কোয়লেং লেংই, ডাক্তরদি ইরেং লেংদনা লৈবগুম উই। ও সী মৈরা অমসুং রাকেশ নাওরেম অনীনা ডাক্তর লাকপীবগী হরাওজখিবা ঙসি ফাওবা মীত্তা উরি। ঐখোয়সু হরাওজখি, মপোক অসি থাক খরা ৱাংখৎলবগুম খঞ্জখি। ও সী মৈরানা ইরি ডাক্তরদি মিং ইবদা লাইরিক্তসু, প্রোফেসর হাপকন্দে, মী মখল শুনা তিন্নৈ, মীগী নুংঙাইরোইদৌবা ৱা ঙাঙদে, মচা মনাওশিংবু থাজনা লোয়নবি, ঐখোয়নদি থাজবদু কদায় ফাওবা ঙাক্লা চৎপা ঙমখ্রবগে হংলি। মতৌ তমজগে খনবা, চীং লেম্না, থবক্তা চেকশিনবা, হায়খিবা ৱা ঙাকপা পুম্নমক্তু ঙমদনা লৈহৌরে। মঙোন্দা ঙক নোন্দনা কনাদা নোল্লুগনি হায়রিবা ও সী মৈরাবু পাংদবনি হায়গদৌরিব্রা। লৈখিদ্রবা থৱায় অমদা সরেন্দর তৌরিবা করিগীনো? নুংশিববু হক্তুনা থল্লম্লি।

প্রোফেসনেল ডাক্তর অমবু অশৈবা অমা ওইনা লৌশিনবদা ডাক্তরশিংনা ৱারৌগদৌরিব্রা। মীগী মমলদি শিনফম্না লেপ্তে হায়বা উৎলি। ডাক্তর কমলসু অদুমঙায়, লম্বী য়াৎলম্লবনি। এঞ্জিনিয়র কয়া, ওজা কয়া অশৈবা মরক্তা য়াওরি। ডাক্তর যোদ্ধচন্দ্রগী পুন্সি মপূং ফানা য়েংবা তারবদি ডাক্তর ওইনা, অইবা ওইনতা য়েংবনা য়াগদৌবা মাল্লক্তরে। অপাম্বা কয়াগী লূপ শেমগৎপা তারিব্রা, শামুরৌগী সুরজিৎকুম্বা মীওই খরগী লূপশিং পাওথাং চৎনবা তারক্লি। নৈনখিবা খরদুনা পেল্লোইদৌরি। ঐখোয়গী ইথৌনি খল্লকই।

মীওই অমবু হেঞ্জিন্না থাগৎপগীসু নত্তে, হিংহৌরিবা ঐখোয় ময়ামগী পাড়া ঔরাইফম শেমগৎচবনি খল্লি। ঐখোয়গী অৱাৎপা কয়া ৱাহৈনা ফোঙদোক্তবী থবক্লা উৎলম্বশিংদু মিৎমাংদনি। অশৈবা অমা ওইনা য়েংবদুখক্লা মপূং ফারদ্রা। ডাক্তর ওইনতা য়েংবসু য়াররোই, মপূম ওইনা য়েংবা হায়রগা করিনো তৌগদৌরিবনা। ইশাগী ইপোৎ ইরলশিংবু মশক মুন্না খঙবা ঙমদ্রিবা হায়বদু ঐখোয়রা, ঐখোয়না হোৎনদনা কনা লাক্লগা হোৎনবীগনি। হোৎনবা কনবা হায়বদুমক ডাক্তরদগী তমজহৌবা তারি। মায়কৈ চুমদ্রবদি পাঙ্গল মাঙই, মতম মাঙই, মমল ফংদে। নোংমা ডাক্তরনা পনখি হ্যুমেন ভেল্যুদা সিভিলাইজ ওইনবা হোৎনবগী ৱাফম অমা। ডাক্তরনা থাজবা ৱেষ্টর্ন সিভিলাইজেসন হায়বসিগী মনুং চংশিন্না খঙবা তারকপনি হায়বসিনি। ডাক্তরগী পুন্সি থাজবা অদুমক্তা য়ূম্ফম ওইরগা শাগৎপা মাল্লক্লি। ঐনা পঞ্জে, হ্বাট সিভিলাইজেসন ইজ নোট, ডাক্তরনা পারকপদু পনবীরম্মী। মীৎকুপ খুদিংদা ক্রিটিকেল মোমেন্ট ওইনা লৌবা, সেল্ফ কন্সিয়সনেস মাঙদবা (মতম মাঙহন্দবা য়াওনা) লাইরিক হৈনবা লাইরিক পাবা তোক্তবা হায়বসিনি থাজরিবা।

পুক ফবগীসু ওইজবা মাঙবা লৈখ্রবরা। থবক্তগী মায় লৈদবগী লায়েংবা তোকপা ঙমখিদবা ওইরিদরা। করম্বা মীৎকুপ্তা লাইচৎ অসিগা থেংনখ্রিবা, মীওই অমা অনীদি খঙলক্লম্বসু য়ারি। খঙদবা খরা হংজগে হায়রুবদা ডাক্তরগী য়ূমদা লৈবকান্দা হেক্তা লাকউ হায়বিরম্বনি, ঙমজহৌদে। লৈতবগী ফোঙলকপা ফোটো য়াওবা পাউচেদু ইতোমতা তুংদা লোৎচৈ, থম্মোয়দা ইহাঙ হাঙহৌবগুম ফাওই। মীত্তা ঈরা চেল্লি, হৌগৎলগা কোয়চৎ চৎলি, মাঙজরিবসি ঐগী ইরন্নাইদু নত্তে, ঐখোয় ময়ামগীনিকো খল্লি, ফাথবা ৱাখি।

ডাক্তর যোদ্ধচন্দ্রগুম্বা মীওই অমা ঐখোয়গী লমদমসিগী লৈজরম্মী হায়বসিদি ঐখোয় খুদিংমক্কী চাউথোকচনীংঙাইনি। মীপূম খুদিংমক্কী থাগৎফম তাঙ্কক লৈগনি খল্লি। মালেম অসিগী মমাঙদা ঐখোয়গীসু লৈবাক-মচা-তাবগী থাক (সিভিলাইজেসন) অদুমক খঙনা হিংবা ঙল্লবনি হায়বগী খুদম ওইহৌরে। মান্নবা মীওই কয়া অমসু লৈরিবনি। কদায়দনো অমা হেক-হেক খেন্নবগুম্না ফাওরক্লি। ডাক্তরগী হকচাং শাগৎপদা য়াওরম্বা মোলিক্যুলশিংদুনা মালেমসি থাদোক্লগদি চৎলম্লোই খল্লকই। অদুমকপু দি এন এগী মথৌ অদুদি লেপখ্রগনি। শাংথবা য়ারিবা পুন্সিনি, মদুমক ওইরম্লবদি করি ওইনা ইরমগনি, মদুমকসু মাঙখ্রবনি, উবা-পাবা ফংলরোই। লোম্বা নাইবা পুন্সিনি পেন্দবা অমদি ফাওহৌরি, থেংনহৌবা মীপূম খুদিংদা ফাওরমগনি। থম্মোয়দি ৱাজসনু পিরাংসিদি চাউথোকচবগীনি। ●